# ইমাগী তম্পাকথকসিদা মথি ফোংলিবা শারোয়-ঙারোয়শিং

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

শারোয়-ঙারোয়শিংনা ফত্তবসি ফত্তবজাৎনিকো! মীদসু-লাইদসু পঙয়েত্তা য়েৎপীনি। খুন্নাইসিগী মীওইশিংসি থৌজাল হৈবদা অপঙ তাখে হৈরে হায়বা য়াই। শারোয়-ঙারোয় হায়বজাৎসিদি ফনমক য়াম্না কাউন্সেল্লিং পীরবসু মখোয়গী ৱাখলদি হোংবা কৌবা নাইদৌ মান্দে। মখোয়বু লোইশিনখিবা মাঙহন তাকহনবা হায়বসি থোইদোক্লা অরুবদি ওইরোইদ্রা খল্লি। মরমদি আ থায়না মমাঙৈদগী হৌনা মী মশেল অমগা অমগা থাঙনা চবৎ-চবৎ য়ান্থুৎনবী, তানা ফাওরেং লেংনবী তৌরম্বগী ৱারী ময়াম অমা লৈরিবনি। অমগী মঙক অমনা থবৎ-থবৎ ককথৎলগা লুখা থানরল্লিবনি। মদুদগীসু হেন্দোক্তুনা মীতৈ চনু ললউনথানবী অমদি খুমন চনু শস্ফাবীগী লৱাই লেম্ফুদা তরেংয়োৎনা য়ুংশিন্দুনা হাৎখি হায়বগী ৱারীসু লৈরিবনি। মদু খূৎকন পাঙ্গল্লবা লৈবাক্কী নিংথৌ ওইরিবা মপুরোইবশিংনা তাউথরকখিবা সনা য়াথং মতুংইন্ননি। মসিগুম্বা কয়াসি পাঙথোকপদা থৌনা ফবনি, তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াই চেনবনি হায়না চাউথোক্লুরমদৌবা মাল্লি। তশেংনমক হায়রবদা থায়নদি নুপা খুদিংমক শা-লান্দা থৌবা নোংমদা পোকপা মচাদি নীনি শিবা হৌনদে খনবা ঙাক ওইরম্বসু য়াই।

অদুবু অসুক য়াম্না থৌনা লৈরবা, কন থৌরবা মীওইবনা শারোয়-ঙারোয়শিংবুদি কন্দুনা থম্বগী মওং অমা থায়নদগী লৈরক্লব্রা হায়না খল্লি। মসি হায়জবগী মরমসু লৈ। ঐখোয়গী লাইথৌ তিন্থৌগী শরুক অমা ওইরিবা শারোয়-ঙারোয় খাঙবা তীলমু লাইমু তানবগী থৌরম অমা লৈ। মখোয় অসি মতম পূম্নমক্তা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়দা অকায়-অতোয়, মীশি-মীনা থোকহন্দুনতা লৈ হায়না থাজনৈ। অদুবু ঐখোয়গী ঈরাৎলোন্দা মখোয়বু মাঙহন তাকহনবা অমদি মরূ ফংনা মূথুৎপগী নুংলোন য়াওদে। ঙমজবা অথুম অহাউনচিংবা পোৎলম ময়াম অমা কৎলগা খা পাংনা হোইথবীখ্রো হায়না নিজৈ নোঞ্জে। লুরিবদি মখোয়না মতেফমদা তেখ্রবসু মহনফমদা হনখ্রবসু পূন্সি চূপ্পগী ওইদে, মথি ফোংনীংবা মতমদা হেক্তমক ফোংলকই। মখোয়দা কৎলিবশিংদু চাবা থকপা লোইখ্রকান্দদি অমুক হাইগৎলসি হায়দুনা হৌনরগা অমুক লাকপজাৎনি। অসুম্না মশক উহন্দনা ঐখোয় মীওইবদা চৈবী চৈথেং পীরকপা অয়াম্বা মখোয়ননি হায়না থাজনৈ। অদুবু ঐখোয়দা শারোয়-ঙারোয়বু নাউ চাউহনবগী হৈনবীঅমদি অদুম মরৈরে হায়নীংলকই।

হৌজিক মতমদসু অদুমঙায় কন্দগী কনবা মীওইবনি হায়বীগে। খূৎলায়না জাৎ-জাৎনি শারিবা, মীকূপ্তা মালেমসি উফুল তাহনবসু ঙম্লদৌপোৎনি। অদুমহীক্তি ওইরগা শারোয়-ঙারোয় তীলমু লাইমুশিংসিদং লোইশিনখ্রো হায়বা শুংয়া য়াদে। অহোয়নদুম মখোয়গা য়াওন্নদুনা চামিন-থকমিন্নদুনা লোনদিন্ননা লৈখ্রব্রা হায়বগী চিংনবদুম ফাওরক্লে। মসিনা ওইরমদৌবা মাল্লি ঐখোয়না ঙসি তুফক-তুফাই চন কিথি কিরুম্নমা অশিবগুম করিগুম শ্বর হোনবোই হোন্দবোই হিংলিবসি। মালেমদা লৈরিবা লৈবাক ময়ামসি অসুম য়েংনরকপদা শারোয়-ঙারোয় মথি ফোংবগী চাংসি ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরনা মকোক কোক্লেন্দা লৈরমদৌবোই হেক নীংই। করিগুম্বা মতমদা অকিবসু ফাওরকপজাৎনি মদুদি ঐসু ঐগা লোয়ন-তিন্নবশিংসু অয়ূক য়াহৌরকপদা শারোয়-ঙারোয় ওল্লক্লবদি কমদৌবা হায়না। খলহৈদবা অসিগুম্বসি খনখৈ খল্লুরবা মতুংদা ওইনীংদবৈ চাংদি হঙ হঙ লাউরগা তিনগসু থাক্তোক্লিপোৎনি। ওইরিবা ফীভমসিদদি তরঙ মালং ইচৎ চৎলপোৎনিদা।

অসুক য়াম্না নুংশিরবী ইমাগী মশাইকোনসিদগী লাঞ্জদবা লাঞ্জদবী মচা কয়া কাচিন লাইমুনা চেনখিব্রা নৎত্রগা শারোয়-ঙারোয়গী মচীঞ্জাক ওইখিব্রা মফম মরাং খঙদনা খোঙ্গুল মুৎখ্রবনি। মতম অমদা কাচিন লাইমুনা চেনখিবা মীওইদু মীয়াম চঙদুনা মোইবুং খোংলগা থিবদা অদুম থাদোক্লম্মী হায়। হৌজিক্কান্দি নুপী অঙাং য়াওনা মীচম পঙহাত্তা হাৎপা, মফম খঙদনা পঙমাঙদা মাঙখিবগী মায়োক্তা খোল্লাউ কয়া লাউরবসু, খোঙজং কয়া চঙশিল্লবসু শারোয়-ঙারোয়গা পাঞ্জক ওইরবা লমহেন তুহেনবশিংদু পুথোক্তুনা চৈরাক পীবা ঙমদে। মদুদি লায়রদুনা লাউজরুবা ৱাকৎচরুবা কয়াবুসু লমহেন তুহেনবা তাহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা শারোয়-ঙারোয়শিংবু মথোই হাপকত্তুনা নাউ চাউহল্লবনি হায়নীংই। খুদম অমত্তং পঞ্জরবদা চহী অহুম ফাজিল্লক্লবা লান মনুংসিদা জিরিদা তমথীরবা শারোয়-ঙারোয়শিংগী মখূত্তা পূন্সি পিখন্নহনখিবদু অহল নুপী অমা, মৌ অনী, মমাগী তম্পাক্তগী হেন্দোকচদ্রিবা অঙাং নুপামচা অমা, কাংগম চাউরবী নুপীমচা অমদি চহী অহুম শুদ্রিবা অঙাং নুপামচা অমা পূন্না মখোয় তরুক্লি। অৱাবনি নুমিৎ মরি মঙানি চূপ্না ফাজিন্দুনা থমখিববু খূৎলায় পায়বা লৈঙাক্কী অকন অথৌশিংনা কনবা ঙমখিদেদকো! মখোয়গী খূৎলায়দগী মোইবুংনা হেন্না শক্তি লৈবজাৎলা? শরোয় ঙারোয়শিংবু কনবা পাম্বা নৎত্রগা ইরমদম অমদি ঈরৈচাশিংবু থৌওই উশিত্তবা, মরম অমদি লৈফম থোকই। ঙসি ঙসিমকসু ত্রোংলাওবীগী থৌদোক থোক্লিবনি।

থায়নঙৈদসু হুরান-চিন্থি, মীহাৎ-মীপূন লৈরম্মী হায়বসি ৱারী লাইরিক্তগী খঙবা ঙম্মী। অদুবু মরাল লৈবশিংদু খুদক্তা হেক্তমক ফাবা ঙম্মী। শাথী শাথীবা চৈরাক পীদুনা য়াদে হায়বদু খঙহল্লি। অঙাং ওলহনবা হায়দুনা শিবগী চৈরাক ফাওবা পীরবনি। থোইনা হেন্না ঙক্লিবদি হৌজিক্কী মতমদৌনা সী সী টিভি কেমরা খিনবসু নত্তবা মতমদুদা অরানবা তৌবশিংদু খুদক খুদক্তা ফাবা ঙল্লিবদুনি। মদুদনি নিংথৌগী মনা ফল্লাংদা থেৎলি হায়রিবদু। স্পাই সিষ্টমসি অসুক্কী মতিক চাওখৎলম্বজাৎনি। অমরোমদা লৈবাক নিংথৌ ইন্থুনবা লৌতুনবকাদু নিংথৌগী মনাকোংদা শৎ শৎ হেক্তমক য়ৌবজাৎনিদা। অসুম্না লৈঙাকপশিংগীসু লৈবাক মীয়ামগীসু মসিনা কান্নবা শোয়দনা ফংহল্লমগনি। শমজিল্লবদা থায়নগী ইপা ইপুশিংদি মমীৎ মনা য়াম্না শিংবজাৎনি।

থায়নগী ৱা থমখিসি ঙসিদগী চহী য়াঙ্খৈমুক্কী মমাঙ অদুৱাইদা মী হাৎপগী থৌদোক অমা ঐখোয় শ্বাইদা থোকখি। মীচিক মীরাওখোল তাদবা অহিংদা য়াম্না লোন্না থুপ্পা পাঙথোক্লম্বা থবক্লি। অদুবু নুমিৎ নীনি ফাদে, মীহাৎপদু পুলিসনা থিরগা ফাখি। ফংফম থোকপা চৈরাকসু অদুম ফংখি। মীহাৎপা পুথোকউ, চৈরাক পীয়ু হায়না ঈহৌ হৌবগী মথৌ তাহনখিদে। হৌজিক্কানসিদি মতা অমনি, অসিগুম্বা থৌদোক অমা থোকপদা মীয়াম্না ঈহৌ হেক তৌদ্রবা ঙেক ঙেক শংদুনা অদুম হেক্তমক লৈবগুম তৌই। মদুদদি লৈবাক চরাঙনবা ফীভম হেক্তমক ওইরকই। ঙসিদি হায়নীংলক্লে ঐখোয় মীয়াম্বু শারোয়-ঙারোয় খরনা নৈখায়বসি হেনমল্লে। মখোয়বু লোইশিনবীখ্রো হায়বসু য়াবীদে। লৈঙাক্কী অকন অথৌশিংনা লোইশিনবা ঙম্লোই হায়রদি ঐখোয় ওইনা লোইশিঞ্জরগে, ঈংনা তপ্পা লৈজরগে হায়বা ময়াম অমা শোয়দনা চোংথোরক্কনি। হায়দ হায়রুরবসু মকন্থি হেক্তমক ফূদোরক্কনি, শারোয়-ঙারোয়শিংবু শেঙ্গা শাদুনা হেক্তমক ঙাকখিনি। তশেংনমক ঐখোয়না লৈরিবা ফীভমসি "হা উরোক নমাঙসু লাং নতুংসু তেন" হায়বদুমক্লি। ●

# হোৎনৌ-হোৎনৌ, হোৎনরি-হোৎনরি

- নবকুমার ওইনা -

পাউচেশিংদা পাউ ফোঙবসিসু অহোংবা খরা লাক্লগনি খল্লি। কনা-কনাগীনো খরদি ফোঙববু য়াররোয় হায়রবনিনা মচং ওইবা ঙাক্তা পাবা ফংলদৌরবনি। চেঙদবু মচং হায়বগী ৱানি, ফৌদা মচং খঙবা ঙম্নদে, ফৌৱামদি খপতোক্লে, ৱাদদি ৱাখোক হায়রিসিনি। ৱাখোক চানবা য়াবা ৱা ঙাক্তা ঙাঙনরকপবু মাল্লক্লি হায়বা য়ারি।

লৈতোন্দা শরূ পান্দবদি হোৎনরি-হোৎনরি হায়বসিসু অমনি। ইমাশিংনদি হোৎনৌ-হোৎনৌ অদুম হায়বা মাল্লি। নোক্কদ্রা কপকদ্রা খঙলক্ত্রিবসি অসিৱায়দনি, তৌরিবা থবকশিংসি অমত্তা ওইদৌবা মাল্লক্ত্রে। ইমা অমনদি লৈঙাকসিনা করিসু তৌবা ঙম্লোই হায়বা তারে, চুমগদৌবা মাল্লি। হোৎনমিন্নসি, মতেং পাংবীয়ু হায়রিবসিবু, 'কাওনা অমুক ইন ষণনা অমুক ইন', খম্বনা পোত্থাবগী ৱারা। খরা অমনদি থবকশিংসি নহামচাশিংগী খূত্তা লৈ হায়বসু তারি। য়েংলিবা ঐখোয়নদি উগদৌরিবসিবু কনানা তৌরকপদুনো খঙবা নৎত্রিবনি, উরিবসিগা মান্নরোই।

য়াম্না নুংশিননা ঙাঙনববুদি অদুম তারি। পোৎ মাঙখিবশিংদু নুমিৎ নীনিগী মনুংদা শিংগদবনি, খুল ফাওরগা চৎপা য়ারোই, মীয়ামদা হায়জবা তাবনি, লম্বীদা লুট তৌবা লেপকদবনি, ইতোমতা চারা হেল্লগা শিজবা হৌরনি, প্রোক্সি ৱার থেংনবা মতম ওইরে, গভর্ণরদা তকশিনখ্রে, সী এমদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বশিং অসিবু লৈতোন্দা শরূ পাল্লম্লবদবু হায়নরমগদ্রা হায়রিবা? শরূ পান্দবগী ৱাদি য়াম্না লৈরিদা। মথমোয়দি ফজনা শেংনরবজাৎনি, হোৎনরি হায়বদি অদুমক হায়নরি। অশেংবগীদি হোৎনদৌবা নত্তে থবক ওইনা তৌগদৌবনি খল্লি। থবক তৌগদৌবা মীশিংনা থবক হৈতবদৌনা ঙাঙবা অমা য়াওরি। ৱা য়াম্না ঙাঙদনা ফগদৌবদু তৌগদৌবা ওইরমগনি, মদুগী অসুম ঙাঙলগা লৈবা, মী শিরগা হংবা চৎপা, শিবগী মমল পীবসু হেক পীথোক্তবা হায়বসি থবক তৌরবনি হায়বসিবু হেক্তা য়ানরগদ্রা? থাজবদি ৱাৎলি, মান্নরিবা মখোয়-মরক্তা পঙথাদা থাগৎনবদি অয়াম্বনা উনরিবনি।

ৱাসে ঙাঙবু ঙাঙথোক্লবা পঙবসু-শিংবসু, পুক ফবা-ফত্তবা, চাওখৎপা চাওখত্তবা লায়রি লৈবাক-মচা-তাবা তাদবদু হেক্তা য়াওখিগদৌরিবনি/য়াওরিবনি। আফগানিষ্টানদা ঙাঙবা মাল্লকইবনি। মফম-মতম হোংদোক-হোংজিন তৌবতনি, ৱাথোক থৌদোক অয়াম্বা হঞ্জিন-হঞ্জিন মান্নরিবনি। হাৎকনি-তুপকনি, শিরে-হিংহৌরে, চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে, লাইবক থীবনি, ৱারী শানরে, তেংবাঙখ্রে, লান্দাখ্রে, কন্দেম তৌরি, মরাল শিরক্লি, অয়াবা পীখ্রে, থিংজিনখ্রে, বোইকোট তৌরে, হৌদোকখ্রে, লোইশিনখ্রে, ইকায়খুম্নখ্রে, থোঙ লাউনা হাংলি, থোঙ লোনশিনখ্রে, ফম থাদোকখ্রে, অয়াবা য়াওদনা য়ারোই, সস্পেন্দ তৌরে, পাঙথোক্কনি, পাঙথোকখ্রে, হৈবশিং ওকখ্রে, ত্রেনিং পীখ্রে হায়বা ময়াম অসি ঙাক্তনি। খন্নরিঙৈসিদা লৈবাকসি কনানা কনগদৌবনো হংনরিবনি, ইশাদি য়াওবা য়াদে, ঙম্লোইদৌরি। থায়নদি ঙম্লরোই খঙলবসু থৱায় থাদোক্লখ্রিবনি। হৌজিক্তি থৱায় য়োনবা ঙমদ্রবসু থম্মোয় ফাওবদি য়োন্নরিবা উরি।

চাওখৎপা হায়নরিবসে অনী শুরি; লম্বী-থোং, ফুরা-দলান ফজখৎলকপসি ওইনা হায়নবনা অয়াম্বনি। মীওইবগী কোক চাওখৎপা, ৱাখল ৱাংবা, লমচৎ ফজবা, থবক হৈবা, মতম মাঙহন্দবা, ৱাঙাঙ ফজবা অদুশিংদুদি কাউবু কাউনখ্রেদা হায়ববু য়ারক্লবা মাল্লি, ঈপন পন্নখিদ্রে। মোরেল ভেল্যু হায়নকা পন্নবদি তারি, মদুগী ৱাদু মনাদা চংদবা, পূন্সিসে হুরাল্লগা হিংলসু য়াই খনবসু য়াওশিল্লকইবনি। লাইকা লাৎনরগা হুরানবগী ত্রেনিং তৌরকইবনি, হৌজিকপুদি হুরানবগা লাইগা শম্নদ্রে খঙলে, লাইনা য়ারবগুম্বনি, লাইনা ৱারকপগী ৱা লৈত্রবনিনা।

লাই নীংবা-নীংদবা লায়রি, লাইগীদমক্তা মাঙলিবা মতম ময়াম অসিনা লৈবাক্কী ৱা খন্নরল্লবদি নহান্না লাইখায় (লাই খায়দোকপা) তারম্বসু য়ারিবনি। ৱা য়াল্লিবসিদি লাই শারগা অকল-অথৌ, শিরোয় নারোয়দ্রবা মাল্লবা ৱাজাও ময়াম ঙাঙনবগীনি, ফজরিবনি। ফজবা ওইনা উরিবসি শিবকা কিনদবা অসিসু অমনি। লৈবাক ফজবা-ফজদবগী ৱাদি খঙনগদৌবা চহী চা কয়া অমা ৱাৎলিপোৎনি। মালেমগী মচি খুদিংদা মী হাৎনরিবসিগী পাউদি অদুম তারিবনি; ফজবগী, চাওখৎপগী, হকশেলগী, লৈশেম্লোনগী পাউ ময়ামসিদি নাদা চংদবা হায়বদুনি। লাই থাজবা মী ময়াম মরক্তা লাইদা নিবা খুদিং ফংগনি হায়বা লৈতে। লাম্মৈ চাকপগুম্না নামৈ লাম্বগী ৱাদি নত্তে, লাইগী থৌরম য়াম্মল্লবদি মতম মাঙদনবা লাইগী থৌরম তোক্লখিবা লৈবাক ময়াম লৈরবনি। ৱারীসি শাংলিবগী মরমদি লৈবাক্কী শক্তম অমা পুথোকফম থোকই হায়বগীনি। শুমাং মাঙ্গোলদা পঙলাং লাংনবসি য়াফম থোক্তে হায়বা মশানা তারকপদুনি।

ফম্মেন্দা ফল্লগা খোঙ্গ্রায় শৎপদি উদবা, হুইনাওদুনা মাঙ্গোলদা খোংলম্লগা ইমুংদা চেনশিনখিবা উরগা নোকচহৌবা হায়বদুনি। ২০২৯দদি শম্বল খাদ্রবসু য়ারগনি খল্লি, শেন্নবীনবা লৈরগদৌবা ওইগনি। চহি চহুম লাইখায় তারক্ত্রগা চহী অহুমদা লোইশিনগনি হায়রিসিবু হোৎনৌ-হোৎনৌ হায়বা তাবনি। মণিপুর কনবা হায়রিসিবু মণিপুরসি কৈদৌদৌবা লৈরবগে? মী খরা শিজরবসু মণিপুরদি অদুম লৈগদৌবা ওইরিনিদা। থৌবুবু লৈরব্রা, খোইদা থুরগা মৈতৈ ঙামুনা ঈরোনবদা হাপকদ্রা, শিংজুদা হাপকদ্রা ৱারেপ লৌবা ঙমগদ্রা, থাজদেদা। মালেম অসি ইনর্জিনা শেল্লক্লবসু মকু (ক্রষ্ট) অসিদি মীওইবনা ওৎপদা মথক-মখা ওনবা লোইশিল্লক্লবনি। লমদম অসিদা মচী-ময়াদা খরা ৱাৎহৌবা মাল্লকই। হৌখিবদা য়েংলগা থুন্না মাঙ থঙলগা চৎপা হায়বদুনি, ইচিন-ইনাও অমনা অদুম্না লমশাং চৎখ্রিবদুনি।

হোৎনৌ-হোৎনৌ হায়বা নত্তনা অরিবা নীংশিংলগা লৈবসিদা য়াওশিল্লগা শিরোই-নারোইদবদি নত্তে। খঙদবা য়াদবগী খরমখৈ খঙলবসু শৈরেং থিরগা লৈগদৌবদি ওইরম্লোই খল্লি। মদুসু মতম মাঙবা হেনগদৌরিবনি। শৈরেং-ৱারেং ইবশিংনা লৈবাক্কী ৱা য়াম্না ইরি, শা-লানগী মরমদা লাইরিক ওইনবু ইরি; লোইনমক শিখ্রো, লৈবাকসু লৈরনু কনানা পাহৌগদৌরি খনববু য়াওরকইবনি। হৌখ্রবা পুৱারী খুল্লগা ফজনা শুদোক্লগা মচু অনৌবা শংজিনবগী হৈনবী য়াওনরিবনি। জগোয়সু, ঈশৈসু মরাং-মরাংনি হায়না নুমিৎ খুদিংগী ৱারী লীনরিবনি। মদুবু অরিবা কৌগদ্রা অনৌবনি হায়গদ্রা, উরিবসিদি অনৌবনি, হান্না মালেমদা লৈরম্বা নত্তবা য়াওরি। অদুগা অরিবা কারনি অনৌবা মচু কাম্বনি অসিনি, খুল অনৌবশিংসু মী অরিবনি হায়রিসিনি। অনৌবা পোকপসু অরিবা ওইবা ময়াম লৈরে।

ফাগিদি মাল্লবা, লৈতোন্দা শরূ পান্দবা ৱাঙাঙ ময়ামসি লূপ-লূপকী মান্নদ্রিবনি। ইংলিসনা ইরগনা হেন্না মাল্লিবনি, অঙাংবা শিল ফুবসু য়াওরিপোৎনি। থাজগদৌবনা থাজবা হায়বদুনি, হোৎনৌ-হোৎনৌদা, ইংলিসশিংনা অদুগুম্বা চেশিংদু পঙশেমদা শেল্লগা মী ময়াম হাৎলল্লিবনি। থাজদবা খরদদি চে অশেংবা ওইবসু থাজদ্রিবনি, অরানবদা থাজবদি ময়াম লৈরে। শেমজিনবা এপোইন্টমেন্ট পীবসু য়ারল্লিবনি। ইন্দিয়াদা পুনবগী চেদুফাও লাল্লি হায়রিসিনি। ঙক্লিবদি ঙসি ফাওবা চুম্বা-লানবা খঙনদ্রি।

হোৎনৌ-হোৎনৌ, ঙসি ফাওবা হোৎনরিবা খরা অসিনদি মী ওইনা মালেমগী লৈমায়সিদা চীং-লেম্না লৈরবা ফূরুপ ওইবা ঙল্লগনি খঙলব্রা? থায়না থবক লৈনদ্রিঙৈদা লাইদা থৱায় য়াওরম্বগী মওং অমনি। থবক শুনীংদবা মীওইনা লাইগী থৱায় য়াওদুনা মতম কাইথোকপা মাল্লম্বদুনি। মতম কাইথোকপা ঙল্লিমখৈ হোৎনৌ, পূন্সিদি রব্বর নত্তে, মরিল চত্তে, শাংদোক্তে। শিদ্রিঙৈসিদা অশেংবদো অমতংদি উনীংবনিদা, উবা ফংদনা শিবা তারি। পাঙজদবগী, পঙজবগী ইশানা শিজবনি। ●

# লৌহকপাট (জেলগী য়োৎকী থোঙ) - ৪

চারুচন্দ্র চক্রবর্ত্তীনা বংলাদা ইরম্বদগী মৈতৈলোনদা কুমজা ১৯৬৯ দা

**শ্রীশঞ্জেনবম নদীয়াচাঁদ সিংহ, বি এ না**

**হন্দোক্তুনা ফোঙলম্বা**

হন্দোক্লোই অসি এক্স-মেম্বর মণিপুর ষ্টেট দরবার, এক্স-মিনিষ্টর মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, এক্স-প্রসিদেন্ট মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনচিংবসু ওইরম্মী।

শেল লৈবদনা ঐশ্বর্য্য ওইদে। ঐশ্বর্য্যগী পরিচয়দি মদুগী মপান্দা উৎপা মশক অদুনি। কোহিনুর থন্না হাপ্পা উপু অমগা ময়ুর সিংহাসন ডজন অমগা পুদুনা নহাক্লা হিমালয়গী থুপখ্রবা গুহা অমদা চঙদুনা লৈরবদি পৃথিবীগী ইনাক খুনবশিংগী তালিকাদা (লিষ্টতা) নহাক্কী নমীং য়াওররোই। অহিং নোংঙান্দ্রিঙৈদা ব্লেক মার্কেটকী কৃপা ফংদুনা লেক-টেরাসদা মথোল মরি শুবা য়ূম শাউ, অদুগা লোয়ননা বুইক অনীগা শগোল লমজেনগী শগোল অমগা লৈয়ু, নহাক্কী নশক, বয়স, বেঞ্চদা থম্বা শেলনা নহাক্কী বিরুদ্ধদা (মায়োক্তা) সাক্ষী পীগে হায়বা মখৈ পীজ সনু, লুহোংদ্রিবা লৈশাবীগী মমাশিং অমসুং ইনকমটেক্সকী লমহুইশিংগী মখূত্তগী নোংমতা ফাওবা শান্তি ফংলোই। অসুম তৌদুনা নহাক্কী য়ূম, গাড়ী, নহাক্কী শাজৎ লমচৎ, য়ূমগী লৈতেং ওইবা পোৎচৈ, শেৎচারিবা ফীজোল অমসুং পূম্নমক্কী মথক্তা নহাক্কী লীক খূজীনচিংবা অলঙ্কার শীবী হকচাং তংখায় (নতু)- অদু লৈত্রবা ফীজেৎ লৈতেংবী নহাক্কী বাড়ি সম্বন্ধগী নুপীগী দল - অসিনচিংবনা নহাক্লা জয় ওইবগী পুং য়ৈদুনা সমাজগী মনুংদা লাউখোংদুনা চৎপা মরমদগী নহাক অচৌবা মীনি; রাম, শ্যাম, যদুদগী নহাক্লা তোপ তোপ্পা অমসুং অৱাংবা থাক্কী জীবনি।

ঐশ্বর্য্যগী শাদোংগী মশীং থীদুনা লোইবা য়াদে। অদুবু মখোয়দুগী মনুংদা হৌজিক্কী পৃথিবীদা পূম্নমক্তগী হেন্না য়াম্না, নিল-খোংলিবা অদুগী মমীং মোটর গাড়ী কৌই। অকিবা লৈতবা খোংজেলগী নেশাদা য়ু ঙাওরদুনা কন্না চেল্লি, হৌখ্রবা য়াকখ্রবা অকনবা শব্দ তৌদুনা মখোঙনা চৎপা মীশিংদা মমীৎ অতাঙবা উৎতুনা ঙংলি-লাপ্পা চৎথোকউ। মনাক্তা নক্লা লাক্লবদি শিবা শোয়দবনি, নাকয়েত্তা চৎথোক্লবসু লৈখোমনা ইকায়বা পীবা অদুদগী হিংফম লৈতে। অসিগুম্বা মোটর গাড়ী অসি নহাক্লা ঐগগী মরক্তা য়াম্না চাউথোকপা চাইনিজ ওয়াল (চাইনিজ ৱাল)নি।

দার্জ্জিলিংদা ঐশ্বর্য্যগী অৱাৎপা লৈতে, অৱাৎপদা মচী পানবা শাদোং অসিতনি। অমত্তা ওইবা মরম অসিনা ইনাক খুনবা অমসুং লায়রবগী মরমদা লাপ্পবা অদু লান্থোকপা য়াদবা নত্তে। অবজারভেটরি হিলগী মাইকৈ মরিদা কোয়না কোয়না চত্তুনা ম্যালগী বেঞ্চদা নুমিৎ খুদিংগী ফমদুনা অৱাবা পোত্থায়। ঐনা ফল্লিবা বেঞ্চি অদুগী অতোপ্পা মতোন্দা ফীজেৎ চাকচা অচাউরম কাবা জাকজমক তৌবা মী করিমতা চিংনবা লৈতনা ফম্মী। অসিগুম্বা মীগা ঐগুম্বা মীগা অতোপ্পা মফমদদি আসন অমতদা ফমিন্নবগী ৱা লাপ্পা থমদুনা লৈকায় অমতদা পূন্না লৈমিন্নবা ফাওবা ঐগী ইকায় খঙদবা মওংনি হায়নগনি। মদুগী নুমিৎ অদুদসু ঘটনা অসি অমুক হন্না থোক্লে। ফীরোল য়াম্না শেৎপা ৱাং চাউবা নিপা অমা মদুদা ফল্লে। মাগী মশাদা মমল য়াম্বা বাইডিং ব্রীচেজ, মদুগী মথক্তা অদুদগীসু হেন্না মমল য়াম্বা কোট, চেষ্টার, মাফলার, খূৎকী মোজা মপৈ। মদুদগী পূক্নীংদা ভাব থোকহনবা নুংশিবা মনম থোরকপা অদু সমুদ্র মপান্দদা ওইবা য়াবনি। কলকতা, বোম্বাই নৎত্রগা নয়াদিল্লীগী করিগুম্বা পাব্লিক পার্ককী বেঞ্চিদা অসিগুম্বা নিপা অসিগী মশা পূম্নমক উবগী ৱাদি লাপ্পা থমদুনা, মাগী মকোক্কী শিখা ফাওবা উবা হায়বসি মঙদা ফাওবা ওইরোই। অসুপ চাউবা থোকপা য়াদবদু থোকইবসিগী মরমদি ফজখ্রবা সহর অসিগী উরুম লাংবা, আলকাতরা তৈবা, তরু তরুবা সড়ক অচৌবসিবু মোৎহনবা মাগী মোটর গাড়ী নিপাল লৈবা অদুগী মরক্তগী অমতং পুরকপা য়াখিদরে।

লাক্লিবা নিপা অসিনা মাগী মমীৎ মীৎচীনা ঐঙোন্দা অমুক অনীরক য়েংলম্মী, অদুগী মতুংদা যতন তৌনা য়েকখোৎপা লুপাগী সিগারেট কেশ অমদা মমল য়ামখ্রবা সিগরেট লানশিন্দুনা বিদেশী লোন্না ৱা হংলকই, ঐবু ঙাকপিয়ু, নহাক নুমিৎ খুদিংগী মফম অসিদা লেংলকপরা?

- লাকপনা নম্মী।

- কদায়দা লৈবিবগে খঙবা য়াগদরা?

- জেলদা

ভদ্রলোক অদু ঙক্লমই। মশানা খঙদনা খরদং চৎথোকখিদুনা চিংনবা মীৎয়েংনা ঐবু য়েংবা হৌরক্লে। কিবগী মরম লৈতে হায়না ঐনা থেমজিল্লম্মী। ঐ থোঙ থুদেক্তুনা নৎত্রগা লৈপল চোংদুনা লাকপা নত্তে। ঐগী খূত্তা ছুরীগাকসু য়াওদে য়েংবিয়ু-

খটাস হায়বা শব্দ অমা তৌরে। পুলিস সিপাই অমা মনাক্তা চৎলম্মী। ঐ অসি সরকারগী করি থবক তৌরিবনো হায়বা মহাক খঙলম্বদায়। পুলিসকী কায়দাদা মথবাক্তা মখূৎনা য়ৈদুনা সেলাম তৌরল্লগা চৎখ্রে। ভদ্রলোকনা মদু উরে অমসুং নোক্তুনা হায়রকই, নহাক অসি অফবা মীনি। ঐনা ৱাদু- কয়াদা মুশকিলনো - বেশ ওইসনু।

মহাক্কী ওইরিবা মওঙ অদু ঐ নুংঙাইনা য়েংলম্মী। মহাক হৌজিক্তি ঐগী ইনাক্তা খরদং চঙশিল্লক্তুনা হায়রকই, য়েংবিয়ু, ৱা অমতা হায়জগে হায়য়ুরা?

- হায়বিয়ু

ঐঙোল্লোমদা নোন্থরক্তুনা অনেম্বা শ্বরদা হায়রকই, লৈবাক য়াম্না কোয়রুরে। অঙকপা পোৎ য়াম্না উরুরে। অথুপ্পা অরোনবা মী চঙহন্দবা মফমদা চঙলুবগী খুদোংচাবা ফংলক্লে, অদুগুম্বা মফমদগী হল্লক্তুনা লাকপা হায়বসি লাইবক ফবগী ৱানি, অদুবু অঙকপনি পোৎ অমদি কৈদৌঙৈদসু উখিদ্রি। মদু জেলনি। ফুট ১০ ৱাংবা চেকপল অসিগী মরুমদা করি লৈবগে য়াম্না য়েংনীংই, অমুক্তং য়েংহনবীগদরা?

ঐনা হায়রম্মী, অদুবু করি লুবগে? নহাক্লা য়েংনিংলগা হেক্তা য়েংবা য়াই। ঐনা মতেং পাংদ্রবসু য়ায়।

- কমদৌনা ?

- য়াম্না লায়বা থবক্লি। নহাক্লা ফম্বিরিবা বেঞ্চ অসিগী মথক্তা লেপ্তুনা অনী মরিরক্তং ঙংদুনা লাউবিয়ু, ইংরেজ মাঙলসনু। ডাউন উইথ ইম্পিরিয়লিজম। পুলিস নকনা চৎলি। অৱাৎপা থবক অদুগী ভারদি মখোয়না অদুম লৌজগনি।

মহাক্লা মরৈ চিক্তুনা হায়রকই, সর্ব্বনাশ, অদু হায়বা ঐ কদৌঙৈ ঙমগনি? ডাউন উইথ গ্যান্ডহিজম হায়না চামরক হায়বা ঙমগনি। দরকার ওইরবদি হায়সু হায়রিবনি।

মহাক অসি দেশীয় রাজ্য অমগী ইকাই খুম্নরবা রাজকুমার বাহাদুরনি হায়বা পরিচয় ফংলে। ষ্টেটকী জমা তৌদুনা লৈবা শেলদগী লুপা লাখ কয়ামুক বৃত্তি ফংই। কলকতা নত্রগা নয়া দিল্লীদা লাকপা কালদা তোপ কয়ামুকসু ঙংবা মালে।

মথংগী নুমিত্তা ঐগী তোনখ্রবা খাংবোকশঙদা মহাক খোংদারক্লে। ঐ য়াম্না কিরদুনা হৌগৎলম্মী অমসুং থবক পূম্নমক তৌবা কম্বাইণ্ড হেণ্ড, চাকথোংবা নিপা-মীনাই-বয় বেয়ারা-থওমৈ মৈরা পায়বা "কেটা" (গুরখা মরোল 'পাখংমচা) গী মমীং হায়দুনা কৌরম্মী। হান্না চৎলুরগা হল্লক্তুনা ফমসি অমসুং নহাক্কী কেটাগী শ্রীহস্তনা লোনবা চা থকসি হায়না কুমার বাহাদুরনা ৱা হৌদোক্লে। হান্না চৎলুখিসি, ঐখোয়গী মিশন অদু তৌরুখিসি।

অপিকপা জেলনি। জেল মনুংদা চঙবগা অহানবদা সেলশিংগী মাইকৈদা মহাকপু পুদুনা চৎলে। খুদুপ তরেৎ শাংবা মঙা পাকপা কানি। শরং হাপ্পা য়োৎকী থোঙ অমতা পাল্লি। তুংলোমগী ফল্লাংদা কোক্তগী য়াম্না হেন্না ৱাংবা মিহুথোংগুম্বা অমতং-মদু মঙাল-নুংশিৎপু ফাকী তৌনবা খন্নখিবা ওইরম্বা য়ায়। কাগী মনাক্তা নাকল অনীদা চেকপননা কোয়শিনবা বারান্দা মতেক অমা। অদুগী মথংদা উগী থোঙ অমা। সেলদা লৈবা মীগা মথৱায় পানবগী জগৎকা অনীগী মরক্তা লৈবা থোং অসিমতনি। মফম অদুদা থোঙ থিংজিনখিবদা মঙোন্দদি পৃথিবী অসিদা মী অমতা লৈতরে।

মখল য়াম্বা বন্দীশিংগী লৈফমনি। সেল নৎত্রগা "ডিগ্রী" অসি অঙাওবা, কুষ্ঠী থুংবা মী, তৌরুবা মরাল তৌরুরে, য়ারবা মী জেল আইনগী থৱায় মাঙবা য়াবা ধারা থৌওইদনা তৌরুবগীদমক মথন্তা জেলদা থম্বগী শান্তি ফংলবা মী। অহানবা সেলদা মী হাৎলুবা নিপামচা আসামী অমা লৈরম্মী। মাগী মমীং যতীন কৌই। মশাগী খুসিনা পুলিসতা ফাহনবনি। কুমার বাহাদুরনা মাগী মাইকৈদা খানা মুন্না য়েংলম্মী। ইরাই লায়না ৱাহৌদোক ওইদুনা ঐনা হায়রম্মী, দিস পুওর ফেলো-

যতীননা ঐগী ৱা থদত্তুনা কুমার বাহাদুর য়েংদুনা হায়রকই, নহাক কনানো? ও-ও জেল য়েংবা লাকপা নৎত্রা? য়েংবিয়ু য়েংবিয়ু, য়াম্না নীংথিনা য়েংবিয়ু স্যার। কোলকাতাদা শায়োকশঙ চিড়িয়া খানা উবিরবরা? জঙ্গলদগী শা ফাদুনা পুরক্লগা পোন্দা থল্লগা ঐখোয়না হরাও তয়াম্বা কয়া য়াম্না ফংই। মদুদগী হেন্না মফম অসিদা হরাও তয়াম্বা ফংবিগনি। নশাগী জাতিবু শাগী মতৌগুম পোন্দা ফাদুনা থম্বা উবিগনি। মীত্তনা য়েংবা করিগীনো? চিড়িয়া খানাগী সিম্পঞ্জিং নৎত্রগা হনুমানবু অঙাঙশিংনা চৈনা থিন্দুনা য়েংবগুম, ঐখোয়গী খৌনাওদগী করম্বা শব্দ থোরকপগে য়েংবিয়ু চৈনা থিন্দুনা।

অসিগুম্বা লংনবগী ৱাসি ঐগী মাইকৈদা মানা য়েংলকপা মতমদা খঙহৌদনা অয়াকপা অকনবা ওইরক্লে। মহাক্লা হায়রকই, ডেপুটি বাবু, ঐখোয়বু পোন্দা ফাদুনা থম্বীরে, মদুগীদমক ৱাবা লৈতে। খোঙদা য়োৎকী খোঙজী, খূত্তা হাতকড়া হাপ্তুনা খাঙেন্দা য়ান্দুনা থম্বিয়ু, মদুসু খাঙবা ঙমগনি। অদুবু অচুম্বা বিচার তৌবিয়ু, পুওর ফেলো হায়দুনা মীগী মফমদা মমল হোংবা নুংশিবিবা মায়া উত্তুনা খোঙউপ্পা নৌনা অমুক কাওবীগনু।

মবুঙো নীংবা জমাদারনা শাউরক্তুনা ফাটক তম্বিবা ভঙ্গিদা করিনো অমা ৱা হায়গে তৌরকই। ঐনা খূৎ থাঙ্গত্তুনা খাল্লে। ৱাংদবা অদুদি ওইরগা হেন্না খাবা সুরনা যতীননা হায়রকই- মীবু শাগী মওং শেল্লগা তোকত্রি। মরূপকী মফমদা মখোয়গী য়াম্না খঙনীংবা অমদি হরাওবগী মরম ওইনবা মাগী দুর্দ্দশাদু (ফত্তবা দশাদু) পুথোক্তুনা ঙাঙলি, নহাক অসি কয়াদা য়াম্না নুংশিবা খঙদবনো!

অরোয়বগী ৱাঙাঙদু থোৎনা মেংনা তায়। কুশিৎ কুৎশিনখ্রবা অয়াকপা মমীৎ অনীদুদা মপি তারক্লে।

ঐ কুমার বাহাদুরগী মাইকৈদা য়েংলম্মী। মহাক মঙ মঙলুবদগী মীকপ থোরকপা মতৌ মাল্লি। খঙহৌদনা যতীনগী সেলগী মনাক্তা চঙশিনখ্রে । য়োৎকী শরঙগী অহোবদা মাগী (যতীনগী) মখূৎ অনীদু পায়দুনা অশেংবা বাঙ্গালা লোন্না হায়রকই, ঐখোয়বু ঙাকপীয়ু ভাই। ঐখোয় য়াম্না লাল্লে। - অসি হায়রমলগা মাগী মখূৎ থাদোক্তুনা মকোক নোন্থদুনা থোঙ তম্না চেনখ্রে। ঐবু ফাওবা ঙাইবা তৌরমদরে। ●

(মখা চৎথজরকখিগনি)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।